## লোক সভানা ইনকম টেক্স এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখ্রে

# দিমোনেটাইজেসন মতুংদা দিপোজিট তৌরকপা শেনফমশিংগী টেক্স লৌরগনি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

লোক সভানা ঙসি ইনকম টেক্স এক্ট, ১৯৫১ অমসুং ফাইনান্স এক্ট, ২০১৬ এমেন্দ তৌদুনা টেক্সেসন লো (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল পাস তৌখ্রে।

ওপোজিসন্না দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা চরাংনবা থোকহল্লকখ্রবসু য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা পুখৎলকখিবা বিল অদু ভোইস ভোটতা পাস তৌখি।

দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা বেঙ্কশিংদা থমজিল্লকপা শেনফম পুম্নমক টেক্স লৌনবগী ৱাফম য়াওবা বিল অদু লোক সভাদা হেক পুখৎলকপগা দিবেট তৌদনা মিনিট খরগী মনুংদা পাস তৌখি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই খরনা চৎনহনখিদ্রবা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপীগী নোটশিং অরানবা মওংদা এক্সচেঞ্জ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপদগী গভর্ণমেন্টনা তঙাইফদনা টেক্সেসন লো (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ হাউসতা পুখৎপনি। এক্ট অসিগী মতুং ইন্না অরানবা মওংদা শেল শিন্দোক্লবা হোৎনরম্বা মীওইশিং ফারবদি চাদা ৬০ টেক্স থীহনবগা লোয়ননা পেনাল্টি ওইনা অহেনবা শেনফম খরসু থীহনগনি। মতৌ অসুম্না পুন্না চাদা ৮৫গী টেক্স থীহনগনি।

লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা শেনফম পুকচেল শেংনা ফোঙদোরকপা তারবদি চাদা ৫০গী টেক্স থীহনবগা লোয়ননা সরচার্জ অমসুং পেনাল্টি ওইনা অহেনবা শেনফম খরসু থীহনগনি। অদুবু চাদা ২৫গী শেনফম খুদক্তা হন্দোক্কনি অদুগা চাদা ২৫ অমনা চহী ৪গী মতুংদা হন্দোক্কনি হায়রি। হায়রিবা শেনফম অদু শীজিন্নরগা গভর্ণমেন্টনা গরিব কল্যান কোসনচিংবা লায়রবশিংগী স্কিম কয়া পায়খৎকনি। মরম অদুনা এমেন্দমেন্ট অসি হাউসনা অয়াবা পীবিয়ু হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।



স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা হায়খি, মীচম মীয়ামগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা ৱাফম ওইবা মরম্না বিল অসি খুদক্তা পাস তৌবা মথৌ তাই। বিল অসিগী মতাংদা দিবেট তৌবগী মথৌ তারবসু ওপোজিসন্না মদুগীদমক শেম-শাদুনা লৈতবা মরম্না খুদক্তা পাস তৌনবা হোৎনফম থোকই।

ওপোজিসনগী মেম্বরশিংনা বিলদা য়াওরিবা ৱারোল খরা শেমদোক্লবা ৱাফম হায়জরকখি। অদুবু প্রসিদেন্টকী অয়াবা লৌগদবা মরম্না ওপোজিসনগী ৱাফম অদু স্পিকরনা য়াখিদে। তুংদা বিল অদু ওপোজিসনগী চরাংনবা মরক্তা ভোইস ভোটতা পাস তৌখি।

মমাঙদা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা বিল অসি দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা দিবেট তৌদ্রিবা মরম্না হাউসতা খন্নবা য়ারোই হায়না পুখৎলকখি।

লোক সভাদা কোংগ্রেসকী লূচিংবা ওইনা লৈরিবা মালিক অর্জুর খার্গে অমসুং তৃণমুল কোংগ্রেসকী সুদিপ বন্দোপধ্যাইনা হায়খি, চপ মান্নবা ইস্যু ওইবা মরম্না দিমোনেটাইজেসন অমসুং ইনকম টেক্স এমেন্দমেন্ট বিলগী এদজোর্নমেন্ট মোসন পুন্না খন্নবদা অকায়বা লৈতে। তৃণমুল কোংগ্রেসকী সৌগত রোইনা হায়খি, ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ঙরাং খক্তমক হাউসতা বিল অসি পুখৎলকখিবা মরম্না ওপোজিসন্না মপুং ফানা বিল অসিবু য়েংশিন্নবগী মতম ফংখিদে। অতেনবা মতমগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা নম্ফুন্দা বিল পাস তৌনবা হোৎনবগী থৌওং য়ানিংদে হায়না ওপোজিসন মেম্বরশিংনা ফোঙদোকখি। মদুদা অরুন জেটলি অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর এম ভেনকয়া নাইদুনা হায়খি মদুদি, চ্যেরগী অয়াবা য়াওরগা লৈবাক মীয়ামগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎপনি। খুদক্তা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা স্লোগান লাউদুনা হাউসকী ৱেল তম্না চঙশিল্লকখি। অদুবু ভোইস ভোটতা বিল পাস তৌখ্রবা মতুংদা নোংমগী ওইনা মীফম য়ৈথোকখি।

আই টি এমেন্দমেন্ট বিলগী মতুং ইন্না শেনয়েক চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা থমজিল্লকপা ফোঙদোক্তবা ইনকমগী চাদা ২৫ প্রধান মন্ত্রি গরিবি কলিয়ান দিপোজিট স্কিমদা থমজিনগদবনি। হায়রিবা স্কিম অদুদা থমজিনবা শেনফমগী শেন্দোই অমত্তা পীরোই। অদুবু চহী ৪গী মতুংদা হায়রিবা শেনফম অদু অমুক লৌথোকচবা য়াগনি হায়রি।

স্কিম অসিদগী লাকপা শেনফমশিং ইরিগেসন, হাউজিং, টোইলেট, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, প্রাইমারী এদ্যুকেসন, প্রাইমারী হেল্থ অমদি লাইবলি-হুদনচিংবা প্রোজেক্টশিংদা শীজিন্নগনি হায়না বিল অদুগী ওবজেক্ট এন্দ রিজনগী ষ্টেটমেন্টতা পল্লি।

## মোদিনা বি জে পিগী এম পি, এম এল এশিং বেঙ্ক ষ্টেটমেন্ট পীশিন্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী এম পি অমসুং এম এল এ খুদিংমক নবেম্বর ৮দগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী বেঙ্ক একাউন্ট ষ্টেটমেন্ট পার্টি প্রসিদেন্ট অমিত শাহদা পীশিন্নবা খঙহনখ্রে।



লৈবাক অসিগী ফাইনান্সল এসিষ্টেন্ট মওং মরিল তাহন্নবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। থৌরাং অসিগী মতুং ইন্না মথং চহীগী জন্যুৱারী ১দা পার্টিগী এম পি অমসুং এম এল এ খুদিংমক্না মশা মশাগী বেঙ্ক ষ্টেটমেন্টশিং পার্টি প্রসিদেন্টতা পীশিনগদবনি হায়রি।

বি জে পি পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী মীফমদা ৱা ঙাঙখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক্তি রেস কোর্স রোদপু লোক কল্যান মার্গ হায়না মমিং ওনখ্রবনিনা গরিব কল্যানদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারে।

নৌনা হৌদোকপদা ঙাইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর গরিব কল্যান যোজনাগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি মদুদি, স্কিম অসিগী মখাদা গভর্ণমেন্টনা খোমগৎপা শেনফম খুদিংমক খ্বাইদগী লায়রবা মীওইশিংদা ঈশিং, মৈ, হকশেল অমসুং মহৈ-মশিনগা মরী লৈনবা খুদোংচাবা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি। গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়াবু কেসলেস সোসাইটি অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ইনকম টেক্স এক্ট এমেন্দ তৌবনা ব্লেক মনি পুম্নমক হ্বাইট মনি ওন্থোকপদা লায়না থোক্লগনি হায়না ওপোজিসন্না শীরকখিবা মরালগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, লায়রবা মীয়ামদগী লুট তৌখিবা শেনফম পুম্নমক শীজিন্নরগা লায়রবশিংগী চাউখৎ থৌরাং লৌখৎনবগীদমক আই টি এক্ট এমেন্দ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী রেসিদেন্স লৈরিবা মফম অদু লোক কল্যান মার্গ হায়না মমিং ওন্থোক্লবনিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা খ্বাইদগী লায়রবা মীওইশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়ামরুম গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ব্লেক মনিবু হ্বাইট মনিদা ওন্থোক্লবগীদমক এমেন্দমেন্ট বিল অসি হাউসতা পুখৎপা নত্তে। লায়রবশিংদগী লুট তৌখিবা শেনফম পুম্নমক শীজিন্নদুনা লায়রবশিংগী চাউখৎ থৌরাং পায়খৎনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱারোল পল্লদুনা পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়ার্স মিনিষ্টর অনন্ত কুমারনা পাউমীশিংদা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা ব্লেক মনিগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা এমেন্দমেন্ট বিল অসি হাউসতা পুখৎপনি। স্কিম অসিগী মখাদা খোমগৎপা টেক্সকী শেনফম্না লায়রবা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপগা লোয়ননা লায়রবশিংদা মৈ, ঈশিং ফংহনগনি অমসুং মহৈ-মশিনগী ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎকনি।

গভর্ণমেন্টনা দিজিটেল/মোবাইল ইকনমিগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিদা মীপুম খুদিংমক্না মতেং পাংশিনবগা লোয়ননা কেসলেস সোসাইটি ওইহন্নবা হোৎনরসি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা পার্টি অসিগী এম পিশিংদা হায়খি মদুদি, পঞ্চায়ট, ম্যুনিসিপালিটি অমসুং অতৈ লোকল বোদি খুদিংমক্তা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংবু কেসলেস ট্রাঞ্জেক্সন তৌনবা পুক্নিং থৌগৎপা মতম ওইরে।

পার্লিয়ামেন্টতা দিমোনেটাইজেসনগা মরী লৈননা চরাংনবা থোক্লিবা অসিগী মতাংদা অনন্ত কুমারনা হায়খি, নোংজু মীফম হেক হৌবা নুমিত্তগী গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা দিবেট তৌনবা শেম শাদুনা লৈখি। করিগুম্বা ওপোজিসন্না পাল্লবদি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা দিমোনেটাইজেসনগা মরী লৈনবা ৱারোল থমগনি। ওপোজিসন্না রুল ৫৬কী মখাদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোক্কদবনি হায়না তকশিল্লকখি। ৱাফম অসি গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখিদে।

## ‘চৎনখিদ্রবা শেনয়েক থমজিনবগী মতম দিসেম্বর ৩০দগী হেন্না শাংদোক্লরোই’

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

চৎনখিদ্রবা শেনয়েক অনী বেঙ্কতা থমজিনবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা পীখিবা অরোইবা মতমদগী মখা তানা শাংদোকহল্লোইদৌরি।



গভর্ণমেন্টকী সোর্ছ অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, আর বি আই অমসুং বেঙ্কশিংদা শেল মরাং কায়না লৈরে। অপীবা মতম নুমিৎ ৫০গী মনুংদা মীয়াম্বু হান্নগী চৎনদ্রবা শেনয়েকশিং থমজিনহল্লবা মতুংদা অনৌবা শেনয়েক মরাং কায়না ফংহনবা ঙমগনি।

ইথা থাজদবা মওংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নবেম্বর ৮দা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী মখা তানা চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবনি। দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মমাঙদা অরিবা শেনয়েকশিং মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা থমজিনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা অনৌবা লুপা ২০০০ অমসুং লুপা ৫০০ চৎপীগী নোট পুথোকখি।

আর বি আইনা বেঙ্কশিংদা পীখিবা ইন্সট্রক্সন মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওই অমনা লুপা ৫০,০০০ দগী হেন্না একাউন্টতা হাপচিনবা তারবদি হায়রিবা মীওই অদুগী পান কার্দকী জেরোক্স কোপি অমা য়াওহনগদবনি।

সেভিংস একাউন্টতা লুপা ২.৫দগী হেন্না থমজিল্লকপা অমসুং করেন্ট একাউন্টতনা লুপা লাখ ১২.৫০দগী হেন্না থমজিল্লকপা মীওইশিংগী মরমদা রিপোর্ট তৌরক্লবা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা বেঙ্ক অমদি পোষ্ট ওফিস খুদিংমক্তা খঙহনখি।

নোংমদা লুপা লীশিং ৫০দগী হেন্না দিপোজিট তৌরকপা অমসুং নবেম্বর ৯দগীনা দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা লুপা লাখ ২.৫ হেন্না দিপোজিট তৌরকপা মীওইশিংগী মরমদসু পাউ পীরক্লবা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি। কনাগুম্বা মীওই অমনা মশাগী করেন্ট একাউন্টতা নবেম্বর ৯দগীনা দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা লুপা লাখ ১২.৫০ হেন্না থমজিল্লকপা তারবদি পাউ পীরক্কদবনি হায়না বেঙ্ক, কোওপরেটিব বেঙ্ক অমদি পোষ্ট ওফিসশিংদা গভর্ণমেন্টনা খঙহনখি।

অরিবা শেনয়েক্না অনৌবা শেনয়েক ওন্থোকপগী মতম হেনখ্রবসু আর বি আইগী কাউন্টরশিংদদি মখা তানা শেল শিন্দোকপা য়াখিগনি।

গভর্ণমেন্টনা টেক্স থীহৌদবা মীওইশিংবু টেক্স থীনবগী খুদোংচাবা পীবা ওইনা লোক সভানা ঙসি ইনকম টেক্স এক্ট, ১৯৫১ অমসুং ফাইনান্স এক্ট, ২০১৬ এমেন্দ তৌদুনা টেক্সেসন লো (সেকেন্দ এমেন্দ-মেন্ট) বিল পাস তৌখ্রবনি।

## চহী ৫গী মতুংদা হজি অলি দর্গাহ মনুংদা নুপী চঙখ্রে

মুম্বাই, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

চহী ৫গী মনুংদা মুম্বাইগী মমিং লৈরবা হজি অলি দর্গাহদা নুপী কাঙলূপ অমা চঙখ্রে।



ভারতিয়া মুস্লিম মহিলা অন্দোলন (বি এম এম এ)গী কো-ফাউন্দর নুরজহান এস নিয়াজনা লূচিংবা নুপী ৮০ রোম অরাবিয়ন সিদা লৈবা দর্গাহদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা চঙখিবনি। নুপীশিং অদুনা দর্গাহ মনুংদা চঙলগা লৈ অমসুং চাদর কত্তুনা লাই খুরুমখি।

কুমজা ২০১২গী জুন ফাওবা নুপীশিংবু দর্গাহ মনুংদা লৈবা মুস্লিম সেন্ট সায়দ পির হজি অলি শাহ বুখরিগী মংফম (মজার) ফাওবা চঙবা য়াহল্লমই। অদুবু দর্গাহগী ট্রষ্টিশিংনা মতুং তারকপদা নুপীশিংবু মফম অদু য়ৌনা চঙনবগী অয়াবা পীখিদে।

কুমজা ২০১৪দা বি এম এম এ অমসুং অতৈ মীওই খরনা হজি অলি দর্গাহ ট্রষ্টকী থৌওং অদুবু কোর্টতা শীংনখি। হৌখিবা ওগষ্ট ২৬তা জষ্টিস ভী এম কনাদে অমসুং জষ্টিস রেবতি মোহিতে-ধিরেনা পিটিসনরগী ৱারোল তারবা মতুংদা নুপীশিংবু দর্গাহ মনুংদা চঙহন্নবা ৱায়েল পীখি। দর্গাহগী ট্রষ্টনা ৱায়েল অদুবু শীংনরদুনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখি।

ওক্টোবর ২৪দা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমদা নুপা অমদি নুপীগী মরক্তা খেন্নবা থল্লোইদবনি হায়না ফোঙদোকখি। মতমদুদা ট্রষ্টনা নুপীশিংবু দর্গাহ মনুংদা চঙহন্নবা থৌরাং তৌরে। অদুম ওইনমক লাইশঙ মনুংদা নুপী চঙবদা খুদোংচানবগীদমক শেমজিন শাজিনবগী থবক পায়খৎপা মথৌ তাবা লৈবনা চয়োল ৪গী মতম পীবিনবা হায়জখি।

দর্গাহগী ওথোরিটিশিংনা নুপা অমসুং নুপীগী চঙফম তোঙান তোঙান্না শেমখিবগা লোয়ননা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা পিরগী মংফমদা শোকপা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখি। অনৌবা থৌরাং অসিগী মখাদা মীপুম খুদিংমক্না পিরগী মংফমদগী মিটর ২ লাপ্পা মফমদগী খুরুমগদবনি।

পনবা য়াবদি, বোম্বে হায় কোর্টনা নুপী চঙবা য়াদবগী অথিংবা লৌথোকখ্রবা মতুংদা ভুমাতা বৃগেদকী এক্টিভিষ্ট ট্রুপ্তি দেসাইনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৮দা হজি অলি দরগাদা চঙবা লৈখ্রবনি।

ৱিমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংগা লোয়ননা দরগাদা চঙখিবা দেসাইনা পাউমীশিংদা হায়খি, হজি অলি দরগাদা চঙবা মতমদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা অথিংবা পীরকখিদবদা অপেনবা পোকই। বোম্বে হায় কোর্টকী ৱায়েল ইকায় খুম্নদুনা নুপীশিংবু দর্গাহদা চঙবা য়াহনখিবা থৌওং অসি পুৱারীদা নীংশিংনদুনা লৈহৌরগনি।

দেসাইনা হায়খি, দরগাগী ট্রষ্টিশিংনা বোম্বে হায় কোর্টকী ৱায়েল মপুং ফানা ইকায় খুম্নফম থোকই। করিগুম্বা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা ৱায়েল চথুবা তারবসু ৱিমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা শোয়দনা মায় পাক্কনি।

মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি অখন্নবা লাইনিং অমখক্কী মায়োক্তা নত্তে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মথংগী খোঙথাং ওইনা কেরলাদা লৈবা সব্রিমালা টেম্পল মনুংদা চঙনবা ফিরেপ লৌরে। বোম্বে হায় কোর্টনা শীংথা-নিংঙাই ওইবা ৱায়েল অমা পীরদুনা নুপীশিংবু হজি অলি দরগা মনুংদা চঙহন্নবা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা জুন ২৮ দা ৱিমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা থারকখিবা পিটিসন অমগী মতাংদা হায় কোর্টকী জষ্টিশ ভি এন কনাদে অমসুং জষ্টিশ রেবটি মোহিটেগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা হায়খি মদুদি, হজি অলি দরগা মনুংদা চঙবগী মতাংদা নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা খেন্নবা থল্লোইদবনি।

কোর্টকী ৱাফম অদু তারবা মতুংদা ভুমাতা বৃগেদকী লুচিংবী ট্রুপ্তি দেসাইনা হায়খি মদুদি, কোর্টকী ৱায়েল অসি নুপীশিংগী মায় পাকপা থৌওংনি হায়না লৌফম থোকই। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা লাইশঙ খুদিংমক্তা নুপী চঙবা য়ারগনি। মরুওইনা মুস্লিম নুপীশিং হজি অলি দরগা মনুংদা চঙবা য়াহল্লগনি হায়বগী মতাংদা পিটিসন অদুবু ফাইল তৌখিবা জাকিয়া সোমননা অপেনবা ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক হায় কোর্টকী ৱায়েল অসি সুপ্রিম কোর্টতা শীংনরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরি।

এম আই এমগী হজি রাফটনা হায়খি মদুদি, হায় কোর্টনা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা খুৎ থিংজিনফম থোক্তে।

## গুজরাটকী সিবিক পোলদা বি জে পিনা য়াম্না চাউনা মায় পাকখ্রে



অহমেদবাদ, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

মহারাষ্ট্রগী সিবিক ইলেক্সন্দা ঙরাং বি জে পিনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পোক্লফম ষ্টেট ওইরিবা গুজরাটতা পার্টি অসিনা ম্যুনিসিপাল অমদি দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়টকী মীখলদা মায় পাকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী ম্যুনিসিপাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট সিট ১২৬কী মনুংদা বি জে পিনা সিট ১০৯ ফংবা ঙমখি। কোংগ্রেসনা শুপ্নগী সিট ১৭তগী হেন্না ফংবা ঙমখিদে।

গুজরাটকী সিবিক পোলদা বি জে পিনা মায় পাকখিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, মীয়াম্না শেঞ্জা-থুমজা পামদ্রে হায়বা গুজরাটকী মীখল অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লে। বি জে পিদা মখা তানা থাজবা থম্বগীদমক গুজরাটকী মীয়াম্বু ঈকায় খুম্নবা উৎলি।

লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু বি জে পিগী ফীভম তপ্না তপ্না ফগৎলক্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, চহী ৭০ রোম লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেসপু মীয়াম্না অমুক হন্না গভর্ণমেন্ট পায়হনবা পামদবদগী বি জে পিনা সেন্টরদা গভর্ণমেন্ট পায়রবা মতুংদা ষ্টেট খুদিংমক্তসু মায় পাকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, বি জে পিদা থাজবা থম্বগীদমক গুজরাটকী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা অৱাং নোংপোক, ৱেষ্ট বেঙ্গল, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্র অমদি গুজরাটনচিংবা মফমশিংদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাকপা ঙমখি।

## কাশ্মীরদা লৈবা আর্মীগী ১৬ কোর হেদক্কার্টরসতা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথুদুনা জৱান তরেৎ হাৎখ্রে

শ্রীনগর, নবেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী নাগ্রোতা এরিয়াদা লৈবা ইন্দিয়ন আর্মীগী ১৬ কোর হেদক্কার্টরসতা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথুরকপদা ঙসি জৱান তরেৎ শিখ্রে।



ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবদা ওটোমেটিক ৱেপন অমসুং এক্সপ্লোসিব পুদুনা লাকখিবা মিলিটেন্টশিংনা ফিল্ড রেজিমেন্ট কেম্পতা চঙলকখ্রবা মতুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং এটেক্করশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা মিলিটেন্ট মরি শিরে হায়না কনফার্ম ওইদ্রিবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

আর্মীগী সিনিয়ার ওফিসার অমনা হায়খি মদুদি, পুলিসকী ফিজোল শেৎপা অমসুং খুৎলাই মতিক চানা পায়বা মিলিটেন্টশিংনা ১৬৬শুবা আর্টিলরি য়ুনিটতা চঙলক্লগা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি।

অমরোমদা, ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন্না নাগ্রোতাদা স্কুল খুদিংমক থোঙ লোনশিন্নবা য়াথং পীখ্রে। নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবনা মরম ওইরগা নাগ্রোতা ফাওরগা চৎলিবা জম্মু-শ্রীনগর নেসনল হায়ৱে থিংজিনখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী শম্ভা দিষ্ট্রিক্টতা টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং অমা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না মায় পাকহনখিদ্রে।

শম্ভা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বোর্দর আউটপোষ্ট মনাক্তা চিংনিংঙাই ওইবা থৌওং কয়া থেংনবদগী বি এস এফনা খুদক্তা মফম অদু কোয়শিন্দুনা থল্লগা থীবা হৃম্বগী থবক চথুখি।

মনাক নকপদা লৈবা ট্যুব ৱেল পম্প হাউস অমদা লোত্তুনা লৈরম্বা মিলি-টেন্টশিংনা বি এস এফ তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা বি এস এফকী দি আই জি অমসুং জৱান অনী অশোক-অপন নংখি।

অমরোমদা, পাকিষ্টান্না সিজ ফায়রগী কাঙলোন থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা পাকিষ্টানগী লান্মী অহুম শিখ্রে। লৈখিদ্রবা লান্মীশিং অদুদি কেপ্টেন তাইমুর অলি খান, হবল্দার মুস্তাক হুসেন অমসুং লান্স নাইক গুলাম হুসেননি। পাকিষ্টান্না ইন্দিয়াগী জৱান অহুম হাৎখ্রবা মতুংদা চপ মান্নবা মওংদা লমন খুমগনি হায়না ইন্দিয়ন আর্মীনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

নোদর্ন কম্মান্দগী ব্রিগেদিয়র জেনরেল ষ্টাফ (বি জি এস), ব্রিগেদিয়র পি এস গোত্রনা হায়খি মদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মছিল সেক্টরদা পাকিষ্টান্না এটেক চথুখিবগী লমন খুম্বা ওইনা ইন্দিয়ন আর্মীনা পাকিষ্টানগী মথক্তা এটেক চথুখি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী মিলিটেন্টশিংনা পাকিষ্টানলোমদগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা চঙলক্লবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু ঙমখৈ ঙাক্লিবা বি এস এফনা থৌরাং পুম্নমক অরেম্বা তাহনখি।

টৈংঙাপ্রৌ/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থৱককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্না নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3341/03/11-02/12